# রিমসকী রিগুলর দাইরেক্টর হাপকন্দবনি



ইম্ফাল, মার্চ ১০ঃ

রিমসতা রিগুলার দাইরেক্টর অমা হাপ্পু হায়দুনা দোক্টর অমদি ষ্টাফশিংনা ব্রাকৎমীফম ফমখ্রে। টিচর এন্দ মেদিকেল ওফিসার এসোসিএসন্না শিন্দুনা চৎথখিবা ব্রাকৎমীফম অদুদা এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এদি সরমা না হায়খিবদা রিমস অসিগী টিচর ইনষ্টিট্যুট অমা ২০০৭ দগী ওইরক্লবসু ২০১৪ গী অগষ্টকী ২৫ দগী রিগুলর দাইরেক্তর য়াওদনা ইনচার্জ অমনা দাইরেক্তর ওইদুনা লাকখিবনি অদুবু লাইবকথিবদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮ দা হান্নগী ইনচার্জ দাইরেক্তর গী মতম লোইখিবদগী মাচ ১ দগী ঙসি ফাওবা রিমস অসিগী দাইরেক্তর য়াওদনা চল্লাইরগা লাক্লি।

মহাক্না মখাতানা হায় এসোসিএসন অসিনা হৌখিবা তাং ৪ দা হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিদা হিরম অসিগী মতাঙদা য়েঙশিনবীনবা অইবা চে অমা থাখি অদুবু ঙসি ফাওবা চপ চাবা পাউখুম অমা ফাওবা লাকপা লৈত্রি। হৌখিবা তাং ৭তা জেনরেল বোদি মীফম কৌরগা মরি লৈনবশিংনা হিরম অসিগী মতাঙদা মীৎয়েং চঙবিদ্রিবা ফাওবা ফোঙজং চংশিনবা হায়না ব্রারেপ অসি লৌখিবনি।

ব্রারেপ অসিগী শরুক অমা ওইনা অথুবদা রিমসকী দাইরেক্টর হাপ্পু হায়দুনা ঙসি অয়ুক্কী পুঙ ৯দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা ব্রাকৎ মীফম ফমখিবনি।

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

### Assam PSC Recruitment 2017 Notification Inspector and Assistant Engineer posts

56 Inspector and Assistant Engineer in APSC:- 6th April 2017

Assam Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 56 Inspector and Assistant Engineer vacancies. Job seekers should apply before 6th April 2017.

Govt. Agency Name :- Assam Public service commission
Designation:- Inspector and Assistant Engineer
Job Location:- Assam
Deadline:- 6th April 2017
Advertisement Number:- 01/2017
Assam PSC Jobs 2017 News
Inspector:- 02 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Inspector should have degree in any branch of engineering or technology. Preferably mechanical / chemical or electrical engineering.
Salary Structure:- Rs 12000 – 40000/- Per Month
Assistant Engineer:- 54 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Assistant Engineer should have degree in civil engineering of an Indian or foreign university recognized by the government or passed parts A&B of the associate Membership examination of the institution of engineers (India) and possessing a certificate to that effect from the institution of engineers (India).
Salary Structure:- Rs 12000 – 40000/- Per Month
Age Limit:- Calculate the Lower and Upper age limit as on 1st January 2017.

Inspector:-23 to 43 years
Assistant Engineer:-21 to 43 years
Selection Process:- Applicants Hall Ticket 2017 will be issued to conduct the Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.

How to apply for Assam PSC vacancies 2017:- Applicants may apply in prescribed application form along with self-attested photocopies of certificate / mark-sheets from HSLC onwards and also caste certificate / registration certificate / experience certificate (Where necessary) send to the deputy Secretary, Assam public service commission, Jawahamagar, Khanapara, Guwahati on or before 6th April 2017.

Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 06/07/2017

## য়ুমগী লায়য়েং

*শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ*

### চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

শন্না হায়রবদা হকচাংগী মখল মখা অয়াম্বা মান্ন–মান্নদবা, শম, য়া, থোপ, খুজিল হায়রিবা এলিমেন্ট অসি ১–২ দগী হেনবা কয়ানা অথোই–অহেন নাইনা তিন্নরগা শাবা ঙাক্তনি।

হিদাক্কী সাইন্স অসিনা চিঙ্গাক্কী সাইন্স অসিবু থৌওইবিদ্রে। অদুবু দাইবেটিজগুম্বা লায়নাদদি দাইটকী মরমদা লৌখৎলি। অদুগুন্না ভিটামিন, শোল্টকী মরমদা খন্নরকপদা চিঙ্গাক্তা য়েংদবা য়াদবনি।

অশুন্না থৱাই হিংবদা চঙইবা পোৎশক ব্রাৎপদা হকচাং ফনা থম্বা ঙমদে। পূমফং ফংদনা লৈবা তারগনা থৱাই হিংবা য়াদে। মরম অসিনা ঐখোয়না চাবদা কয়ামুক চেকশিনফম থোকপা, ব্রাৎলগা হকচাং শোকপা, হেল্লগসু হকচাং শোকপা পুমফং ফংদ্রগনা থৱাই মাঙবা তাবনি। অদুনা হৌজিক যুগতা অব্রাৎপগী লায়না কয়া লৈ। মহৌশাদগী চিঙ্গাক অসি ৫ থোক্না খাইদোকই। ঈশিং, প্রোটিন কার্ব্বোহাইদ্রেট, ফেট, এস (উৎ)। ঈশিংনা ঈশিংনি। ঈশিংগী মরমদা ইরুদুনা কান্নদে।

***কার্ব্বোহাইদ্রেট*** – চনাং য়াওবা পোৎ অমসুং চিনি পূন্নমকপু কার্ব্বোহাইদ্রেট হায়রগা খঙনৈ। চনাং অসি তুমলগা চিনি ওল্লি। চনাংগা চিনিগসি হকচাংদা মৈশা পীনবশিংগী মরক্তা মশক নাইবা চিঙ্গাক্লি।

***ফেট***– মহাওগী শরুক অসিনা অমুক হেন্না লৈরবশিংগী মশক ওইবা চিঙ্গাক্লি। মহাও পাউগু অমনা চনাং নৎত্রগা চিনি পাউগু অমগা চাং য়েংনবদা শীংগী থবক ওইনা মৈশা পীবদা ১ $^{১}/_{৪}$ হেন্না পী।

এস (উৎ) – চারিবা চিঙ্গাক অসি তুমখ্রগা খরা লেমহৌই। মদুবু এস নৎত্রগা মিনরেল সোল্ট হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা মিনরেল অসিনা শরূ, য়া–নচিংবা শাবনি হায়নরি। অদুবু মিনরেলগী ব্রাফম থৌশাবিদে। নৈনবিবসু ব্রাৎলি।

***প্রোটিন***– নাইত্রোজেন হায়বা এলিমেন্ট অদু য়াওবা পোৎ কয়াগী মমিংনি। কার্ব্বোহাইদ্রেট অমসুং ফেটনা ওক্সিজেন, কার্ব্বোন, হাইড্রোজেন য়াওবা পোৎনি। মখোয়সিনা হকচাং মনুংদা চাকথেকপা হায়বদি ওক্সিদাইজ তৌবনি। প্রোটিনসু অসিগুম্বা পোৎচঙ অসিসু য়াওই। অদুগা চাকথোকপসু য়াই। অদুগা নাইত্রোজেন্দি চাকথেকপা য়াদে।

*মথং মথং ...*

## শগোলশেম হেমন্ত

### খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিকনি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুকলক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

১

### কংলায়েন্দগী চার্লি চেপ্লিন

*ঙরাংগী মখা...*

য়ুমদনা হৌগৎ কাঙখৎ ঙমদ্রবা ইমা, চহী ৯০ হেল্লবা বাবা – অমুকসু য়ুম থাদোক্লিংদে। মাঙজৌননা বাবাদা– “ঐ নুমিৎ তরেৎনিরোম চীংদা চৎপা তারে” ৱারী শাবদা অয়াববুদি পীখ্রবনি। নুমিদাং চাক চারমদাইদা বাবানা হায়,

– চীংদা চৎপা হায়বসি চেকশিনগদবনি। হৌরম্বা নাপী শীংবীশিং পৎ–পৎ থত্তুনা নয়াদা চিক্কনু। লম্লক্তা হৌবা মনা মশীং অয়াম্বা মতম মতমগী ওইবা হূ ওনবা লৈবনি। চৎমিন্নরিবশিং অদুগী খোঙফমদগী হেন্দোক্কনু। চৎলুচো পাঙ্গল কল্লিঙৈদা। ঐখোয়দি নহা ওইরিঙৈ, পাঙ্গল কল্লিঙৈ মতমদা চৎলম্বা কয়াদু হৌজিক নিংশিলগা অৱা পোত্থানরিবনি।

ইচা নুপা অতোম্বদু ঐনা প্রেসতগী হল্লকপদা মশা শাগৎলি হায়দুনা লৈরম্মী। কালেনগী মৈশা হেনগৎলকপদগী অঙাংগী হৌনবী মশা নুংঙাইতবা ওইরমগনি খল্লুই। মথংগী নোংঙানবদদি মশাদু শাগত্তুনা চাউ–থকউ হায়বা ফাওবা য়াখিদে। নুংথিলদগীদি ওবা ফায়বা য়াওরকখি। নুমিদাংদুমসু লেপ্তনা মখা চত্থরকখি। মথং মেগী তাং ৬ কী অয়ুক্তা অঙাংগী দাক্তর অমদা পুদুনা য়েংহনখি। অদুবু অনাবদু নুমিদাং ফাওবা ফৰগী খুদম উরক্তবদগী বাবানা– “ তোক্লো নঙগী চৎপদু, অঙাং নারগা য়ুম থাদোকপা ফত্তে।” ঐ ৱা ঙাংখিদে।

নুমিদাং অদু নোং চিফেৎ চিফেৎ তাবদগী অয়ুক অদুসু লৈচিল নোংফাই থাংদুনা লৈ। নোংসু মরক মরক্তা পাতক্লা চুরি। সহারা টি.ভি. গী নাওচাদু ঙরাং হায়নরম্বা গাড়িদু য়াদ্রে অতোপ্পা অমা য়েংলুসি হায়দুনা অয়ুক ঙন্না লাকখি। য়ুমদদি ইশৌ ইরাং খরা খরা হৌরে। বাবানসু চৎলনু হায়না কন্না থিংলি। ঐ ৱা ঙাংদনা থৌরাংদি অদুম্মক তৌশিল্লি। দাক্তরনা ইরকপা গ্লুকোজ অদু কাপ্নবা থৌরাং তৌই।

*মথং মথং ...*


# THANKSGIVING!

On behalf of the Election Commission of India, Office of the Chief Electoral Officer, Manipur express gratitude to every voter of Manipur who have exercised their franchise in the 11th Legislative Assembly Election- 2017 and for making this FESTIVAL OF DEMOCRACY a Grand Success !

> We acknowledge the help and support extended by all the Political Parties and Contesting Candidates, Polling and Counting Agents, Civil Society Organisations.
> All the DEOs, ROs, AROs, District Nodal Officers, Sector Officers, Election Officials, Booth Level Officers, Volunteers of Voter Assistance Booths.
> All the SPs, Army, Assam Rifles, Central Paramilitary Forces, Security Personnel.
> All the Observers & Micro-Observers, State Nodal Officers, OSDs.
> We appreciate the efforts and support given by Expenditure Monitoring Teams, Media Monitoring Teams, Surveillance Teams, Flying Squads, Income Tax Investigation Teams, Fire Safety Teams, MCC Monitoring Team.
> DIPR, AMWJU, Editors' Guild Manipur, AIR, DDK, all the Media Houses (Both Print & Electronics).
> All the Administrative Secretaries & Heads of Department, Transporters, Drivers.
> Officers & Staff of Chief Electoral Officer's Office, Manipur.

Office of the Chief Electoral Officer, Manipur also condoles the unfortunate demise of (I) Shri (L) Tiangchangliangna, Contable Number 375, II IRB, Mizoram and (ii) Shri (L) Ramkating, Assistant Teacher, Ukhrul District, Manipur on Election Duty shared the sorrow of the bereaved family.
This office also appreciates extraordinary courage shown by (I)Shri Ramsen Jojo, Rifleman (GD) and(ii) Shri Ravi Basnet, Rifleman (GD) who sustained injuries while carrying out their duty.

## NEW INITIATIVES TAKEN UP IN STATE ASSEMBLY ELECTION 2017

✓ Webcasting carried out in all 1549 polling stations and Video Streaming in 1245 Polling Stations.
✓ Use of VVPAT Machines in 6 ACs for the 1st time in Manipur
✓ Assured Minimum Facility (AMF) for every PWD Voter
✓ All women dedicated polling personnel at selected polling stations accross the state
✓ Extensive use of Social Media to attract yound voters
✓ Colourful Voter Guide to inform voters about the voting procedure
✓ e-TPBS electronic transmission of postal ballot system in two ACs
✓ Monitoring of Paid News with the help of PCI
✓ Issue of photo Voter Slips to every voter ahead of Poll Day to prevent proxy voting
✓ Increase in the height of Voting Compartment to make voting a secrecy
✓ Discouraged the use of plastics while campaigning for an environment friendly election
✓ Successful implementation of IT initiative like SUGAM, SUVIDHA, SAMADHAN
✓ Successful SVEEP Campaign thoughout the state with maximum participations.
✓ Launch of Manipur Specific App called "E-Manipur Election App" for facilitating voters
✓ Poll Star App used for instant compilation of Poll Percentage & Vote Count Figure

**Congratulations to all who made it a grand success !**
**We acknowledge your hard work and dedication !**